ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO®
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
PRIDE MONTH

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটকী গেটতা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল ৬কী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসরশিংদা বেসিক লাইফ সপোর্ট এম্বুলেন্স ১০ খুৎশিন্নখিবা

সেকমাইদা কর্ফিয়ু লৈতবগুম তৌরে
☛ লামায় ২

অমুকোনা চীঙ্গাক্কী পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে
☛ লামায় ৩

মমল হেন্না য়োল্লিবা লৌউ-শীংউবগী পোৎলমশিং য়েংশিল্লগনি:এম এস এফ
☛ লামায় ৬

অৱাং নোংপোক্কী ডোক্তর ১৬ লৈখিদ্রে
☛ লামায় ৭

রিমসতা কেন্সরনা নাদুনা লায়েংলিবা ককচিং তুরেল ৱাংমা মনারৈ পরেংদগী মোইরাংথেম প্রেমগী মচানুপাদা ককচিংচাখক্কী ঈ-পাউ ৱাটসএপ গ্রুপকী মেম্বরশিংনা লুপা ১২,৩৪৫ তেংবাঙখিবা

Vol. 45, Issue No. 082 | শগোলশেল, ইঙাগী ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, June 17, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

জিরি লম্বীদা ট্রকশিংদগী নমদুনা শেল লৌরে মীফম পাঙথোক্তুনা শীন্থা লেপ্পবা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী লৈজরিবা অকক্লবা লাইফ লাইনশিং ওইরিবা নেসনল হায়ৱেশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বীদা পোৎচৈশিং পুথোক-পুশিন তৌরিবা ট্রক দ্রাইভরশিংদগী নমদুনা নোংমৈ চিন্দোলদা তোঙান-তোঙানবা টেক্স মখল অহুম ইফোং ফোংনা লৌখৎলকপগী মায়োক্তা হায়ৱে অসিদা চৎলিবা ট্রক দ্রাইভরশিংগী অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মখোয়দগী শেল নমদুনা লৌবগী থৌওং অসি গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী খুৎ থিংজিল্লক্তুনা অথিংবা পীদ্রবা নৎত্রগা লৌহন্দনবগী থবক পায়খৎপীরক্তুগদি ট্রকশিং চেনবা লেপ্পবগী মতাংদা খন্নখ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না হায়ৱে অসিদা চৎলিবা ট্রকশিংদগী টেক্সনি হায়দুনা নমদুনা লৌরিবা টেক্স মখলশিং অদুনা রোদ টেক্স, গোদাউন টেক্স অমসুং গেট পাসকী শেলশিংনি হায়রি। হায়রিবা টেক্সশিং অসিগীদমক চার্জ তৌদুনা লৌরিবা শেনফমশিংনা ট্রক অমমমদা লুপা ৫০০দগী লুপা ২০০০ ফাওবগী মনুংদনি হায়রি। অদুগা নমদুনা শেল লৌবগী থবক অসিনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী সেকেন্দ ৱেভকী শাথিরবা লাইচৎ মায়োক্লবা হৌরকখিবগী মনুংদগী থা ২ রোমগী মমাঙদগী লৌবা হৌরকখিবনি হায়রি। ট্রকশিং অসিদগী নমদুনা টেক্স মখলশিং অসি লৌরিবা নোংমৈ পায়বা মীওইশিং অদুনা চীংদা ওপরেট

ঙরাং জিরিবামদা পাঙথোকখিবা ওল জিরিবাম রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ দ্রাইভরস য়ুনিয়ননগী মীফমদা শরুক য়াখিবা হায়ৱে অসিগী ট্রক দ্রাইভরশিং

তৌবা লালহৌলূপ অমগী মীওইশিংনি হায়রি। মখোয়না চথরক্লিবা থৌওংশিং অসিনা হায়ৱে অসিদা চৎতুনা মণিপুরগী মপান্দগী মখল কয়াগী পোৎলমশিং চিংশিল্লক্লিবা ট্রক দ্রাইভরশিংদা দিজ লগী মমল ৱাংখৎলকপগী মথক্তা অহেনবা লাইন এক্সপেন্দিচর হেন্না চৎহল্লে। পোৎচৈ থন্না হাপ্লবা ট্রকশিংনা ইম্ফাল তম্না লেপ্তুনা লাক্কদবা মখোয়গী খোঙচৎতসু থেঙ্খাং খরদা অপনবা অমসুং অয়েৎপা পীরে। থৌওংশিং অসিনা মায়োক্লফম থোক্তবা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহল্লে হায়রি।

হায়ৱে অসিদা চেল্লিবা ট্রক দ্রাইভরশিংনা মায়োক্লরক্লিবা মখোয়দগী নমদুনা শেল লৌবগী থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হেদ কার্টরদা লৈবা ফুদ কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া (এফ সী আই) গোদাউন মনাক্তা ওল জিরিবাম রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ দ্রাইভরস য়ুনিয়ন (এ জে আর টি দি য়ু)গী ওইবা মসিগী দ্রাইভরশিংনা শরুক য়াবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। নমদুনা টেক্স লৌবগী থবকশিং চেঙ চিংবা ট্রকশিংদনা হেন্না মায়োক্লরক্লিবা অসিগী মতাংশিং য়াওনা মীফম অদুনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা ৱারেপশিং লৌখ্রে।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট এম তোমবাবুনা ফোঙদোকখিবদা, এন ঐচ-৩৭কী পরিংদা হৌখিবা থা ২ রোমগী মমাঙদগী হৌরক্তুনা গোদাউন টেক্স অমদি গেট পাসনচিংবগী মথক্তা চহীগী ওইবা টেক্স ফাওবা লৌখৎলক্লিবা অসিগী মতাংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়খি। হৌজিক জিরিবামদা লৈরিবা পোৎচৈ থন্না য়াওরবা ট্রকশিং অসি ইম্ফালগীদমক মহৈশাগুম লাক্লগনি। করিগুম্বা ট্রক দ্রাইভরশিংদগী নমদুনা শেল লৌবগী থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলক্তুগদি মতুংদা ট্রেনদা পুরকপা মণিপুরগী ইম্ফাল তম্না থিল্লক্কদবা পোৎলমশিং মখোয়গী অহাংবা ট্রকশিংদা মখা তানা লোদ তৌহল্লরোই হায়খি।

পনবা য়াবদি, নুমীৎ খরনিগী মমাঙদসু ট্রকশিংনা শেল পীদে হায়দুনা নোংমৈ কাপশিনবনচিংবগী থৌদোকশিং থোকখিবা লৈখ্রবনি।

কোভিদনা শিবা মীশিং ১০০৮ শুরে, ৭৫২ পোজিটিভ ওইখি, ১০ লৈখিদে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লনবা অৱেবা পান্থে পুথোক্তুনা হোৎনরক্লগসু নুমীৎ খুদিংগী অয়াম্বা চাংদা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং থেংনরকপনা মরম ওইরদুনা লায়না অসিনা লেপ্তুনা থেংনহল্লক্লিবা শিবগী থৌদোকশিংগী মখা তারকপদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদসু মীওই ১০ লৈখিদবগা লোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিনা লৈখিদবা মীওই ১০০৮ শুখ্রে। অদুগা ঙসিগী ওইনা পোজিটিভ কেস ৭৫২ থেংনখিবগা লোয়ননা মীওই ৪০৮ ফগাৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

Orgd. by Thangja Kendra GP Level Covid-19 Task Force Under the aegis of
Thangja Kendra Voluntary Workers' Covid-19 Task Force (TKRT)

ঙসি নুংথিল কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমনা থোরকখিবা চেরোলগী মতুংইন্না ঙসিগী ওইনা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১০ দেথস ওদিট কম্মিটিনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না মীওই ১০নি। মীওইশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৪, থৌবালদগী ১, ককচিং ১, বিষ্ণুপুর ২ অমসুং চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ২নি হায়রি। মীওইশিং অসি লৈখিদবা মফমশিংনা রিমসতা ১, জেনিমস ৩, শিজ হোস্পিটাল ১, রাজ মেদিসিটি ২, চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ২ অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা মীওই ১ লৈখিদবনি হায়রি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ১০ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীশিং ১০০৮ শুখ্রে।

অমরোমদা, ঙসিগী ওইনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীংনা ৭৫২নি। মসিগী মনুংদা মীওই ৩না সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেলশিং ওইরগা লেমহৌরিবা মীওই ৭৪৯না জেনরেল পোপ্যুলেসন্দগীনি। মসিগী মনুংদা নুপা ৪১৭ অমসুং নুপী ৩৩২ য়াওরি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১২৫, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৩১, থৌবাল ৫৯, বিষ্ণুপুর ৩৭, ককচিং ৮৪, উখ্রুল ৩৪, চূড়াচান্দপুর ৮৫, চান্দেল ৭, সেনাপতি ১৩, তমেংলোং ৩৯, তেংনৌপল ১, কাংপোকপী ২, জিরিবাম ৭ অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৬নি।

পোজিটিভ কেসশিং অসি থেংনখিবা টেষ্টিং সেন্টরশিংনা রিমসতা ৬, জেনিমসতা ৩৩, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৫১৩ অমসুং অতোপ্পা টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা পোজিটিভ কেস মশীং ২০০ থেংনখিবনি হায়রি। মখোয়গীদমক মাঙজৌননা লৌখৎফম থোকপা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমদি কন্টেক্ট ট্রেসিংনচিংবগী মথৌ তাবা থবকশিং ...*মখা লামায় ৩ কলম ৩*

লৌউ-শীংউবগী থবকশিং কোমথোক্লে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ১১দা থোকখিবা লৈঙাক্কী ওর্দর অমনা থা অসিগী ৩০ ফাওবা শাংদোকহল্লক্লিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিংগী মনুংদগী কোভিদকী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাকপগা লোয়ননা এস ও পি ঙাক্কদবনি হায়রদুনা লৌউ-শীংউবগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং কোমথোক্লে হায়রি। মসিগী মতাংদা ঙসি চীফ সেক্রেটরিনা ওর্দর অমা থোকখ্রে। লোয়ননা জেল রোদতা লৈরিবা ইনকম টেক্স, রেঞ্জ-ইম্ফালগী এদিসনল কম্মিস্নারগী ওফিসসু থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লোইশিনগদবা থবকশিংগীদমক য়েংলদুনা ক্লাস ৱান/গ্রুপ এগী ওফিসরশিংগা লোয়ননা ষ্টাফশিং চাদা ১৫ খক্কী চাংদা কাবদসু অয়াবা পীখ্রে।

সনামহী লাইনিংকোলগী মেঙ্গোর লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): সনামহী কিয়োং শাবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বদা নত্তনা সনামহী লাইনিংকোল লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপকী লুচিং পুরেল ওইরম্বা নম্বোল ওইনামদগী ওইনাম মেঙ্গোর খুমন ঙসি অয়ুক পুং ৭ রোম তারকপদা লৈখিদ্রে হায়রি।

সলাই তরেৎকী লাইনিংলাইশোল হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মহাক্না লৈখিদবদা ফাউন্দেসন ফোর য়ুনিভর্সিটি ওফ সনামহী কলচরগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

দেসামনা কন্দেম তৌরি

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা মৈতৈগী ফনেক ময়েক নাইববু মিনি স্কর্ট অমসুং কোট ওইনা শেমদোকপগা লোয়ননা রানি ফিবুসু কুর্টা ওন্থোকপগী থৌওংবু দেসামনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

মহৈরোয় লূপ অসিগী চেরোল অমনা হায়বদা থৌওং অসি দিজাইনরনি হায়জবা প্রিয়াঙ্কা অন্না জোসেফনা সোসল মীদিয়াদা মণিপুরগী কলচরগা শাগোন্নরক্লিবা ফনেক ময়েক নাইববু লান্না উহন্নবা হোৎনরকপনি হায়রদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।

দি গ্রেট জুন অপরাইজিং য়ুনিটি দে থৌরমগী শেম-শাবা লোইরে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস) : মহৌশাগুম থা অসিগী ১৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা অদুঙৈ কুমজা ২০০১দা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়বগী ঈহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী কেক্রুপাৎতা লৈরিবা খুভমদা পাঙথোক্কদৌরিবা দি গ্রেট জুন অপরাইজিং য়ুনিটি দে, ২০২১গী থৌরমগীদমক শেম-শাবা লোইরে।

ৱাফম অসি ঙসি কেক্রুপাৎকী খুভমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিগীদমক শেমখিবা ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

বোসেম ১সুং কোসেমগী ক্লাস টেন, এলেবেন ১দি টুয়েল্বকী এগজামিনেসনশিং কেন্সেল তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অমসুং মসিনা পীরক্লিবা চৈথেংশিংনা মরম ওইরদুনা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) অমসুং কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌদুনা পাঙথোক্কদবা চৎলিবা চহী অসিগী এগজামিনেসনশিং কেন্সেল তৌরে।

ৱাফম অসি ঙসি ওল্ড সেক্রেটেরিয়েটতা লৈবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেনগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউ মীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবনি। এগজামিনেসনশিং অসি মিনিষ্টরনা কেন্সেল তৌরে হায়বগা লোয়ননা মসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওর্দরশিং বোসেম অমসুং কোসেমগী মায়কৈদগী থোক্লগনি হায়খি।

মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা, পেন্দমিক অসিনা সেক্তর অয়াম্বা শোকহল্লকপদগী এদ্যুকেসন সেক্তর অসিসু মরুওইবা অমা ওইরকখি। অদুবু বোর্দ অমসুং কাউন্সীলনা লৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এগজামশিং তৌগদ্রা নৎত্রগা তৌরোইদ্রা হায়বগী মতাংদা ৱারেপ লৌনবা হোৎনবদা অরাইবা ওইখিদে। অদুবু লৈঙাক্লা ষ্টেক হোল্দরশিং, লোকেল এদ্যুকেনিষ্ট অমসুং এক্সপার্টশিংগা কুপ্লা খন্নরবা মতুংদা ক্লাস টেন, এলেবেন অমসুং টুয়েল্বকী এগজামিনেসনশিং অসি কেন্সেল তৌনবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী মহৈরোয়শিংগী ওল্টর্নেটিভ এসেসমেন্ট/ইভাল্যুএসন মেকানিজমগীদমকমীওই ১৪না শাবা কম্মিটি অমা শেম্লে। কম্মিটি অসিগী চেরমেন অমসুং কন্ভিনরনা এদ্যুকেসন (এস)কী কম্মিস্নর অমসুং দিরেক্টরনা ওইগনি হায়রি। মহৈরোয়শিংদা মার্ক অমদি সর্টিফিকেট পীবনচিংবগী মতাংদা কম্মিটি অসিনা লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরগা থবক ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

'এম পি সী সীগী প্রসিদেন্টনা ওইনা মীয়ামদা লাল্লে হায়জগদবনি'

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচএনএস): হৌখিবা নোংমা নীনিগী মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগা মরী লৈননা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা সী এমনা মীয়ামদা লাল্লে হায়জগদবনি হায়রকপা অসি য়াম্না যুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি। মসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা কন্দেম তৌই। মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ওইনা মীয়ামদা লাল্লে হাজগদবনি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হীরমসিগা মরী লৈননা মীদিয়াদা থাদোরকপা ভিদিও অমদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট (মীদিয়া) চিদানন্দ চীংঙাংবমনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী অসুক লুরবা তানফম অসিদা কোংগ্রেস অমদি ওপোজিসনদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী মায়কৈদগী অপীকপা ৱাখল্লোন অমদা য়াম্না হন্থবা থাক্কী পোলিটিক্স তৌবগী মওংদা লৈঙাক অসিবু ক্রিটিসাইজ তৌরক্লি। সী এমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুদা লাল্লে হায়নিংঙাই লৈতে। মরমদি, সী এমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু কোংগ্রেস পার্টিদা পীবা মতীক চাবা পাউখুমনি হায়না লৌই। মদুনা মণিপুরগী মীয়ামদা নুংঙাইরোইদবা ৱাফম ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩১.২৭ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৭.৬৯ °C
মণিপুরগী নোংজ্রুগী চাং : ১০.৪৯
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

HL Poll

Q: Rulling amasung Opposition hunnabagi mahutta covid-19gi cheitheng laksinnaba punna hotnaminnabana achumba thabak oiroidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Covid-19 pandemic mayoknaragasu loumeesingda ahongba mamalda matam chana har fanghanfam thoktabra?

Yes 100% No 0%

অস! লোইরেহে!

- কনানা শারম্বা য়ুরিনেললনো, নেম্বনা ঈকায় শঙ্গোয় হাঙলে !
- [illegible] !



- হো তাদনা প্রধান ওইরিঙৈদা শারম্বদুনে!
- [illegible]!

চীফ মিনিষ্টরনা এ দি সী ৬তা এম্বুলেন্স ১০ খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী হেল্থ সেক্তরগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎলকপগী শরুক অমা ওইনা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল (এ দি সী) তরুক্তা বেসিক লাইফ সপোর্ট এম্বুলেন্স ১০ খুৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অদু ঙসি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটকী নোংচুপথংবা গেটতা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টরনা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলশিং অসিগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর (সী ঈ ও) শিংদা খুৎশিন্নখিবনি। এম্বুলেন্স ১০ অদুগী মনুংদা চূড়াচান্দপুর, চান্দেল, কাংপোকপী অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী এ দি সীশিংদনা ২/২ পীখি। অদুগা এম্বুলেন্স অমমমনা তমেংলোং অমসুং সেনাপতিগী এ দি সীশিংদা পীখিবনি।

ঙসি খুৎশিন্নখিবা এম্বুলেন্সশিং অদু কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লাঙ্গেংনরিঙৈসিদা টি এ এন্দ হিলস দিপার্টমেন্টকী ফন্দিংদগী লৈবনি। দিপার্টমেন্ট অসিগী মায়কৈদগী বেসিক লাইফ সপোর্ট ১২ অমদি এদভান্স লাইফ সপোর্ট এম্বুলেন্স ৬ পুন্না ১৮ ওর্দর তৌখিবনি। অহানবা ফেজগী ওইনা এম্বুলেন্স ১০ অসি লাকখিবগা লোয়ননা তমেংলোং অমসুং সেনাপতিগী বি এল এস এম্বুলেন্স ২ অমদি এ দি সীশিংগী এম্বুলেন্স ৬ থা অসিগী ২৫দা য়ৌরক্লবা য়াই হায়রি।

ফেসবুক অমসুং ৱাটসএপতা কারন তৌরুবা মীওই ২ ফারে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস) : 'কংলৈ ইমাগী' হায়বা ৱাহৈশিংসিনা হৌরগা অকাম্বা ৱাহৈশিংনা শমথরকপা শাশিন্নবা ফেসবুক একাউন্ট অমদগী মরী-মরী শম্নরক্তুনা 'জ্ঞান লৌশিং' কৌবা ৱাটসএপ গ্রুপ অমফাওবা শেম্লগা মণিপুরী নুপীশিংবু ওবসিন ফোটোনচিংবা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতাশিংনা কেপসন থারগা অপলোদ তৌরুবদা চেন্নবনি হায়বা নহা অনী সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসননা ফাগৎতুনা কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা নুমীৎ মরিনিগী কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে।

সী সী পি এসনা ফারবা মীওইশিং অদুদি নম্বোল কোংখাম মখা লৈকায় ৱার্দনম্বর ৮দগী কোঙ্গেংবম ইবোতোম্বী খাবগী মচানুপা করোরচন্দ্র (২৭) অমসুং চঙাঙ্গৈ মনিং লৈকায়দগী অবুজম মনাওতোনগী মচানুপা সত্যজিৎ (২৭)নি হায়রি। মখোয় অনী সী সী পি এসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ঙরাং মথং-মথং ফাগৎখিবনি। অদুগা ঙসি সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবনি।

মখোয় অনীগী মনুংদগী করোরচন্দ্রদি পুলিসকী রিমান্দবু ওবজেক্সন তৌরদুনা বেল পীবীনবা হায়জরকখি। অদুবু কোর্ট অসিগী এ পি পি, এম য়মুনানা তৌরকখিবা সবমিসন তারবা মতুংদা কোর্টনা মখোয় অনীবু পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীখিবনি।

থাউ মমল হেনগৎলকপগী মায়োক্তা লেফ্ট পার্টিশিংনা চথগদবা থাখায় প্রোটেষ্ট হৌখ্রে

Nationwide Protest Fortnig
16-30 June 2021
Roll Back Petroleum Products Price Hikes
Control Prices of Essential Commodities & Drugs
Wave Excise Duties & VAT by Central & State Government
CPI(M)
RSP

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস) : থা অসিগী ৩০ ফাওবা মণিপুরগী লেফ্ট পার্টিশিংনা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল খঙহেন হেনগৎলকপগী মায়োক্তা থাখায় অমা চুপ্পা চথগদবা প্রোটেষ্ট ঙসিদগী ইম্ফালগী ইরাবত ভবনদা হৌখিবগা লোয়ননা পুলিসকী মায়কৈদগী প্রোটেষ্ট মীটিং পাঙথোকপা য়ারোই হায়রম্ববুসু কন্দেম তৌখ্রে।

ঙসিদগী হৌদোকখিবা থাখায় প্রোটেষ্ট অসিনা তাল্লিবা দিমানদশিংগী মনুংদা পেট্রোলগী মমল হেনগৎহল্লক্লিবা অসি হন্দোকউ, তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং অমদি হিদাক্কী মমল কন্ট্রোল তৌ, পেট্রোল অমসুং দিজলদা লৌরিবা এক্সাইজ টেক্স অমদি ভেল্যু এদেদ টেক্স লৌগনু হায়বনচিংবা য়াওরি।

প্রোটেষ্ট অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা লেফ্ট পার্টিশিংগী মনুংদা সী পি আই, সী পি আই (এম), আর এস পি অমসুং এ আই এফ বিনচিংবনা শরুক য়ারি। ঙসিদগী হৌদোকখিবা থাখায় প্রোটেষ্ট অসিগী মতাংদা লেফ্ট পার্টিজ কোওর্দিনেসন কম্মিটি, মণিপুরগী কনভিনর ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী পাউদম

গভর্ণমেন্টকী থৌশিল খরনা পেন্দ্রে, খরনা থাগৎলক্লি

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইদুনা কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপদগী হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংবু লৈঙাক্কী মীৎয়েং মখাদা মতেং পাংবগী থৌশিল য়াম্না মতেং ওই হায়না ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হোম আইসোলেসন তৌরিবা মীওইশিংগা পাউচে অসিনা অখন্ননা ৱারী শারুবদা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন মশামক্না হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা হকথেংননা ৱারী শাদুনা অৱাবা কোকহনখিবসু লৈখ্রে। হৌজিক তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা অমদি সী সী সেন্টরদা লৈরিবা অমদি হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংশিংগী অপেন-পেন্দ কয়া অমদি লৈতবসু নত্তে। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈরিবা তোরবুং বঙ্গলাদা লৈবী মশাগী চহী ৪৩ শুরবি নুপী অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না কোভিদ পোজিটিভ ওইরে খঙলকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎলুরবা মতুংদা য়ুমদা অদুমক লৈদুনা হোম আইসোলেসন তৌবা য়ারনি হায়রকপদগী হোম আইসোলেসন তৌদুনা লাকখি। তঙাইফদবা হীদাক-লাংথকশিংসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদগী পীবিরক্লি। লোয়ননা লৈকায়-লৈকায়গী শেল্লিবা টাস্ক ফোর্সশিংনসু চান-থক্নবা মতেং পাংবিরকপা মরম্না চান-থক্নবগী অৱাবশিংসু লৈতে। হৌজিক হকচাংসু ফগৎলক্লে হায়না ফোঙদোরকখি। ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

গাড়ী হুরাল্লম্বা এম আর পর্সনেল অমা ফারে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস) : থা অসিগী ৪দা য়াইরিপোক কৈথেলদা লৈবা মসজিদ অমগী মমাঙদা ছো লোল্লগা খাল্লগা থল্লম্বা ভেস্পা (মঙ্গাম মপাল মচু) এম এন-০৬/এস/এস এ-৮৩৭৮ হুরাল্লম্বা মণিপুর রাইফলসকী রাইফলমেন (নম্বর-০৮২০১০২০৫) এম দি তারিক অজিজ (৩০), অপোকপা এম দি অব্দুল লতিফ, সঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট ৱান ফাবগা লোয়ননা মহাক্না হুরানখিবা গাড়ীমচা অসিসু ময়ুমদগী রিকোভর তৌরে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা য়াইরিপোক বামোন লৈকায়দগী গাড়ী মপু ওইরিবা এম দি ফরিদ সাহ (৩৫), অপোকপা এম দি সেরাজউদ্দিন সাহনা থা অসিগী ৪দা রিপোর্ট তৌরকপগী মতুংইন্না থৌদোক অসিগী মতাংদা য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসননা হুরানখিবা গাড়ী অসিগী খোঙ্গুল লীদুনা লাকখিবনি। লোয়ননা থৌদোক থোকফমগী অকোয়বদা লৈবা সী সী টি ভি কেমেরাশিংগী মতেংদগী গাড়ী হুরানবগী থৌদোক অদুদা কার (এ-ষ্টার) এম এন-০১/জি-৬৭৪০ চেন্নে হায়বা খঙবদগী গাড়ীসিগী খোঙ্গুল লীরকপদা ঙরাং অয়ুক পুং ১০ রোম তারকপদা গাড়ী অসি মোরে কৈথেলদা লৈরে হায়বদগী য়াইরিপোক পি এসকী এস আই ৱাই শঙ্করদাস মঙাং, এস আই দল্লিয়ু দিপকচন্দ্র অমসুং এ এস আই এস মনেশ্বরনা মফম অদুদা চঙশিনখি। অদুবু মখোয়না লোকচাও থোং য়ৌশিল্লকপদা কার অদু ইম্ফাললোমদা থৌগৎলকপদগী মফম অদুদগী কার অদুবু তান্নরক্তুনা তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনগী গেটতা খাল্লগা চেক তৌখি।

গাড়ী অদু এম আরগী রাইফলমেন অসিনা থৌরম্বগা লোয়ননা গাড়ী অদু মহাক্না উরুপ্তুগী এম দি নৱাজ কৌবা অমগা পুন্না হুরানমিন্নরগা সঙ্গাইয়ুম্ফমদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা থল্লে হায়বা খঙলকখি হায়রি। মসিদগী রাইফলমেন এম দি তারিকপু ঙরাং নুংথিল পুং ৪.১০ রোম তারকপদা মহাক্না থৌরক্লিবা কার অদুগা কোন্ননা ফাগৎলবা মতুংদা কেস এফ আই আর নম্বর- ৩০(৬)২০২১ অন্দর সেক্সন ৩৭৯/৩৪ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। লোয়ননা মহাক্না এম দি নৱাজ কৌবা মীওই অমগা লোয়ননা হুরানখিবা গাড়ীমচা অদুসু ময়ুমদগী রিকোভর তৌরে হায়রি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫